# প্রাইভেট নামোইজম সনাতোম্বা লৈখিদবদা পাম্বৈনা...

*লমায় ১গী মখা...*অনীশুবা অমদি নাইতোম পোকচবা মপারি ওইনা কুমশিং ১৯৯৯গী ফেব্রুৱারী থাগী চৈচৎ ৭তা ফংজখি। মহাক মচিল মনাও মরিগী মনুংদা মহাক্না অনীশুবনি অমদি নিঙোলশিংগী মরক্তা মতোমতা য়াওজবা পলেম পম্বৌ অনীগী তাঙলবা মপারিনি হায়রি।

ইতাও সনাতোম্বা নহা ওইরিঙৈদগী মরৈপাক নীংবা, ইমা লৈবাকপু নুংশিজবা মীশক অমা ওইনা হৌরকখি। মদুমক্না মহাক হৌখিবা চহী কুমশিং ২০২৩গী মে থাদা পার্টিদা য়াওরক্তুনা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী লান্মী শঙলূপ এম পি এগী নীংতম লান্মী অমা ওইখি। লূপ অসিনা চঙশিল্লিবা নীংতম লান অসিদা নীংতম লান্মী অমগী থৌদাং চপ চানা লৌনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা লাকখিবা নুংশিখিবা নীংতম লান্মী অমনি। মহাক্কী থৌদাংশিংগী শরুক অমা ওইনা, ইতাও সনাতোম্বা লান্মী শঙলূপ্না শিন্নবা থৌদাং অমা পাঙথোক্লবগীদমক হৌখিবা কুমশিং ২০২৩গী দিসেম্বর থাদা এম পি এগী ফর্ষ্ট বৃগেদতগী থর্দ বৃগেদতা চৎপা ক্রুপ অমদা য়াওদুনা মণিপুর অমদি ম্যান্মার অনীগী লোন্নবা ঙমখৈদা লৈবা থর্দ বৃগেদকী বেজ কেম্প অমদা মহাক্কী পোষ্টিংগীদমক চৎখি হায়রি।

বেজ কেম্প অসিবু ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌদুনা হৌখিবা থা ৫ অসি লৈরকখিবনি হায়রদুনা চেরোলসিনা হায়, হন্দক ইকুই কুইদ্রিঙৈ বেজ কেম্প অসিদা পি দি এফ অমদি কে এন এফ (বি) না লেপ্পা লৈতনা নুমিৎ তরেৎনিমুক লান্দারকখিবা অমদি এম পি এগী লান্মীশিংনা মুভমেন্ট তৌরিঙৈ লম্বীদা এম্বুশ তৌরকখিবা অকনবা লানফম অদুদসু শরুক য়াদুনা লাকখিবা অথৌবা ইতাওনি। লানফমশিং অসি মায় পাক্ন মায়োক্নরবা মতুংদা এম পি এগী জি ঐচ ক্যুদা মে ১৭তা য়ৌরকপা এম পি এগী ক্রুপ অদুদা মহাকসু য়াওরকখি। এম পি এগী জি ঐচ ক্যুদগী মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং উনজনবা মে ২১দা লিভ চৎখি। মহাক্না য়ুমদা লৈরিঙৈ মে ২২, ২০২৪ নুমিৎ অসিদা খঙহৌদনা হার্ট এটেক তৌরকখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হোস্পিটালদা পুখৎলবসু লায়কন্নবা ঙমদনা ইতাও অসি লৈখিদবনি হায়রি।

চেরোলসিনা হায়, ইতাওগী য়ুম অসি হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা কুকিনা মীতৈশিংগী মথক্তা লান দারক্লিবা লান অসিদা কুকিনা মৈ থাদোকখিবদগী লৈফম লৈতদুনা মোইরাং খুনৌদা হাংবা রিলিফ কেম্প অমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। য়ুমগী ফনমক খুদোংচাদবা ফীভম লৈরবসু ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় পাম্মুবা লৈতনা অমসুং ইমুং মনুংগী ইচিল ইনাও কয়াবু তুংওইনরম্লগা নীংতম লালহৌদা শরুক য়ারকখিবা নুংশিখিবা নীংতম লান্মী সনাতোম্বগী থৌনা লিংজেলবু ঐখোয় খুদিংমক্না তমজনীংঙাইনি।

ইতাও সনাতোম্বা থকসি-খাসি লৈবা, থৌনা লৈবা, কত্থোকপা ঙম্বা, ঈং-তপ্পা, মথক থোংবশিংগী য়াথং হিক্তোক্তবা নীংতম লান্মী অমনি। নুংশিখিবা ইতাও সনাতোম্বনা তেল্লবা মতম খরা অসিদা মহাক্কী অয়োৌবী থাক্তা হোৎনদুনা নীংতম লালহৌ অসিদা মরু ওইবা থৌ কয়া পাঙথোক্লম্মী। মসিগীদমক পার্টিনা অথৌবা অসিগী মফমদা অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা পীজরি অমদি অথৌবা অসিগী ইমুং-মনুং অমসুং মরুপ-মপাংশিংনা নংহৌরিবা অৱা-চৈথেংদা পার্টি অমদি লান্মী শঙলূপ্না শরুক য়াজরি হায়রি।

## মীলালগী লমজিং মখাদা জিরিবামদা মীতৈ ময়েক তম্বীবা হৌখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) :** মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল), অসামগী লমজিং মখাদা মীতৈ ময়েক তম্বগী থৌরম ঙসি ঈ এম এ, এস ঐচ জি বানসকান্দিনা শীন্দুনা মীলালগী লুচিংপুরেল সেরাম হেরাজিৎ অমদি আই বিনোট সিংহানা মৈরা চুখৎতুনা থৌরম অসি হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা লাইশ্রম প্রেমানন্দনা প্রসিদেন্ট অমদি সেরাম হেরাজিৎনা চীফ গেষ্ট ওইখি। থৌরমগী ৱাহৌদোক পীরদুনা ইঙুদম বিনোটনা হায়, মীতৈ ময়েক তম্বসি ঐখোয়গী তমদবা য়াদ্রবা ইথৌদাংনি অদুনা অসাম লৈঙাক্কী কেবিনেটনা মণিপুরী লোলবু এসোসিএট ওফিসল লোল ওইনা মশক খঙবীরকপা লোয়ননা মীতৈ ময়েকসু গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংদা তম্বা য়ারনি হায়না অসাম কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবসি এম ৱাই এফ এগী অচৌবা মায় পাকপনি হায়খি।

সেরাম হেরাজিৎনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়গী লোল অমসুং ময়েক চাওখৎনবা হোৎনবা হায়বসি ইশা ইশাগী অচৌবা থৌদাংনি। অসাম লৈঙাক্না লোল অমসুং ময়েক মশক খঙবীরকপসি ঐখোয়গী লাইবক ফবনি। অদুনা ঐখোয় পূম্নমক্না হোৎনমিন্নসি। মীতৈ ময়েক অসিসু ঐখোয় পূন্না অঙম্বা থাক্তা হৈননবা হোৎনমিন্নসি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ঈ এম এ, এস ঐচ জিগী প্রসিদেন্ট প্রেমোলতা, রেনুবলা, এম ৱাই এফ এগী সেক্রেটরি জেনরেল তম্পাকময়ূম সলাউদ্দিননা শরুক য়াখি। মীতৈ ময়েক দিপ্লোমা কোর্স বানসকান্দি সেন্টর অসি রেজিষ্ট্রেসন তৌবীয়ু। লোয়ননা জুনগী অহানবা চয়োলদগী ক্লাস হৌরগনি হায়রি।

## কোর্টকী ওর্দর...

*লমায় ১গী মখা...* রিমসকী সিক্যুরিটিদা রিমস ওথোরিটিনা রিমসকী দিরেক্টরনা অকনবা ইন্সত্রক্সন অমা পীরকপদগী ঐখোয়না মফমদুদা দ্যুটি তারগা লৈখিবনি। কোর্টনা পীবা য়াথংসি তশেংনা ঐখোয় রিমস সিক্যুরিটিনা ভাইওলেট তৌবা লৈতে। মরমদি লম্ফেল খুনৌদা লৈরিবা মীয়াম্না চঙথোক-চঙশিন তৌবদা অয়াবা পীগদবনি, ধর্মগী ওইবা দোমেষ্টিক ৱার্কতা লোইনমক শীজিন্নবা য়াই হায়না তাবনিনা রিমস সিক্যুরিটিনা মফমদুদা দ্যুটি তারগা লৈজরবসু লম্ফেল খুনৌদা লৈরিবা মীয়াম্না চঙথোক চঙশিন তৌবদা ধর্মগী ওইবা থবক ময়াম অমা পাঙথোকপদা রিমস সিক্যুরিটিনা অথিংবা থমদে। তৌবতবু মফমদুদা ঐখোয়না থেৎচবা অমদি লৈ। রিমসকী কেম্পস মনুং চনবা জগা থংনবা ওইবনিনা মপান্দগী লাকপা মেদিকেল ষ্টুদেন্ট ওইবনিনা শম্না হায়রবদা নোর্থ ইষ্ট, ইন্দিয়াদগী লাক্লিবা মহৈরোয় ময়ামসি হৌজিক মণিপুরগী লৈরিবা ঈরাং অসিদা ঐখোয়না ফজনা প্রোটেক্সন তৌদবা য়াদবনিনা ঐখোয়না মফমদুদা লম্ফেল খুনৌগী মীওই খক্তং চঙবা য়াগনি হায়না পোষ্টর থেৎপনি হায়রি।

অদুবু হঞ্জিন হঞ্জিন লম্ফেল খুনৌগী মীওইশিংনা থোরক্লগা হায়রিবা পোষ্টর অসি শেগাইবা, বেরেক থুগাইবা, চ্যের লংখাইবা অসিনচিংবা ময়াম অমা চত্থখ্রে। রিমস সিক্যুরিটি ঐখোয়গীদি মফম অসিদা লৈবা মহৈরোয়শিংবু ঙাক শেনবা হায়বসি ঐখোয়গী মরু ওইবা ইথৌদাং ওইবনিনা হায়রিবা লম্ফেল খুনৌনা তৌরিবা মওং অসি ইনজষ্টিস ওইবা মওংনি। কোর্টকী ওর্দর ময়ামসি মখোয়না ওইনা ভাইওলেট তৌশিল্লকপগী মওংদা লৈরিবা অসি তৌবীগনু হায়না রিমসকী সিক্যুরিটিগী মায়কৈন্দগী আপীল তৌরক্লি।

## বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ইলেক্সন কাউন্টিংগী ত্রেনিং পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর লৌরেম্বম বিক্রমনা থোকপা নোটিস অমগী মতুংইন্না ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশীং থিবদা শরুক য়াগদবা কাউন্টিং সুপরভাইজর, কাউন্টিং এসিষ্টেন্ট অমসুং মাইক্রো ওবজার্ভরশিংগী ত্রেনিংশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মিনি সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট রিছোর্স সেন্টর (পি আর সী হোল) দা থা অসিগী ২৪ অমসুং ২৫দা নুমিৎ নীনি চূপ্না পাঙথোক্লগনি হায়রি।

অহানবা নুমিৎ থা অসিগী ২৪গী অয়ূক পুং ১১দগী নুংথিল পুং ১.৩০ ফাওবনা কাউন্টিং সুপরভাইজরশিংগী ত্রেনিং পাঙথোক্লগা নুংথিল পুং ২দগী পুং ৪.৩০ ফাওবনা কাউন্টিং এসিষ্টেন্টশিংগী ত্রেনিং পাঙথোক্কনি। অদুগা ত্রেনিং অসিগী নীনি চনবা থা অসিগী ২৫গী অয়ূক পুং ১১দগীনা নুংথিল পুং ১.৩০ ফাওবদনা মাইক্রো ওবজার্ভরশিংগী ত্রেনিং পাঙথোক্কনি হায়রি।

ত্রেনিং অসিদা নম্বর ২ আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী দিজিগনেটেদ এ আর ও ওইরিবা ভুংবা মাইবম খুমন অমসুং ২৪-বিষ্ণুপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এ আর ও ওইরিবা রিসিকান্ত লোইতোংবম্না রিছোর্স পর্সন কম মাষ্টর ত্রেনর ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

মরম অসিনা মরী লৈনবা ওফিসলশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রেনিং অসিদা মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়ারগদবনি হায়রি। ত্রেনিং অসিদা শরুক য়ারদবা ওফিসল অমসুং ষ্টাফশিংগী মথক্তা মখা তানা খঙহল্লকপা তৌদনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকনি হায়রি।

CAS Coaching Centre
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
Admission Open
FOUNDATION COURSES
Hurry!!! Seats are limited First Come First Served
CLASS XII (Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)
CLASS XI (Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)
CLASS X (English, Maths, Science, Social Sc. & Home Sc)
Special features:
- Concession for 1st come 10 students
- Special Concession for Meritorious, Ethnic Victim Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2025
Classes Commencing from 30th May, 2024(New Batches) & 6th June, 2024 (New Batches)
Hostel for BOYS & GIRLS Available
# Morning:(4.00/4.30- 7.00/7.30) A.M. # Evening:(4.00-7.00)P.M
For Details:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal (Mayai Lambi Machin) # 6033817130
HL-B/8730/16

KANGLEIPAK MEDICAL AND NURSING INSTITUTE
KHURAI KONSAM LEIKAI, IMPHAL EAST, MANIPUR
Admission Open for Academic Session 2024-25
*** FREE 10 DAYS SPECIAL CRASH COURSE FOR APPEARING COMMON ENTRANCE TEST, 2024 ***
Starting From 28th May, 2024 at KMNI, Imphal East Timing: 4.30 pm to 6.30 pm
College of Nursing
B.SC. NURSING (*After Clearing Entrance Test Conducted by MNC) Eligibility - XII Passed; Duration - 4 years
POST B.SC. NURSING Eligibility - GNM Passed; Duration - 2 years
M.SC. NURSING Eligibility - B.Sc. Nursing with 1 year experience; Duration - 2 years
College of Pharmacy
D. PHARM. - 2 Years Eligibility - XII Passed (Phy + Chem)
D. HOMEO. PHARM. - 2 Years Eligibility - XII Passed (Science)
D. AYURVEDIC PHARM. - 2 Years Eligibility - XII Passed (Science)
D. NATUROPATHY & YOGIC SC. Eligibility - XII Passed (Science); Duration - 2 years
College of Paramedical
D./B.Sc. Med. Lab. Tech. - 2/4 Yrs Eligibility - XII Passed (Science)
D./B.Sc. Radiography - 2/4 Yrs Eligibility - XII Passed (Science)
D./B.Sc. O.T. Tech - 2/4 Yrs Eligibility - XII Passed (Science)
D./B.Sc. Opth. Asst. - 2/4 Yrs Eligibility - XII Passed (Science)
D./B.Sc. Dialysis Asst. - 2/4 Yrs Eligibility - XII Passed (Science)
Application Form and for more details: Office of Kangleipak Medical and Nursing Institute, Khurai Konsam Leikai
Contact No.: +918787459695/+919774681216
website: www.kangleipakmedical.in
HL-P/10936/23-29

HHG Academy
Regn. No: 1/96/96-HSC
SANGAIPROU GHARI MAMANG LEIKAI IMPHAL -795140 [ Affiliated to Council of Hr.Sec Education Manipur ]
15 DISTINCTION WITH LETTER MARKS

100 % Pass Every Year
NO. OF STUDENTS APPEARED : 124
NO. OF STUDENTS PASSED : 124
PASS PERCENTAGE : 100 %
No. of 1st Division Students : 119
No. of 2nd Division Students : 5
No. of 3rd Division Students : Nil
ADMISSION OPEN CLASS XI ( Science ) 2024-25
FOR MORE DETAILS CONTACT SCHOOL OFFICE : 9862445909, 9383359473, 9863970422
OFFERS :
Free Admission for 1st 100 students
85% & above (BOSEM/CBSE)- Sponsorship + Scholarship
80% & below 85% (BOSEM/CBSE)-Free studentship (free uniform + admission + school fee)
70% & below 80% (BOSEM/CBSE) - Free ship (free admission + 3month school fees)
60% & below 70% (BOSEM/CBSE)- Half admission fee + 3month school fees)
Below 60% (BOSEM/CBSE) - Half admission.
FACILITIES
• Separate hostel for Boys and Girls at affordable fees.
• Transport facilities.
• Well equip Library.
HL-P/10876/19 to 7 June

Unique Education CBSE
THE FIRST CBSE & ICSE COACHING CENTRE AT IMPHAL.
ADMISSION OPEN
5-months Foundation for CBSE & CoHSEM XI Sc. 4th June
NAVODAYA. SAINIK & Outsiders IX. X. XISc. & XIISc.
Girls Hostel in the same block
02-05-2024
5-months Foundation for CBSE class X
Van service / Boys Hostel Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express
HL-B/8699/26/4-26/5

Affiliation No. : 1/96/96 HSC (Vol. V) AFFILIATED TO COHSEM
PHOTON SCHOOL
Kwakeithel Thiyam Leikai, Near Water Reservoir, Imphal-01
A Unique Co-educational Higher Secondary School of Science
Admission Open for Class XI-SCIENCE, 2024
OPPORTUNITIES for first 100 students only from any board. ;
Limited Seats only
G.P. -10 (G.P.A-A1) : Total freeship + Scholarship Rs. 2000 p.m.
G.P. - 9 (G.P.A-A2) : Admission freeship + Tuition fees freeship + Books
G.P. - 8 (G.P.A-B1) : Admission + Tuition fees freeship
G.P. - 7 (G.P.A-B2) : Admission freeship
G.P. - 6 (G.P.A-C1) : Half Admission concession
G.P. - 5 (G.P.A-C2) : 1 installment concession
G.P. - 4 (G.P.A-D) : Books freeship
Introducing new subjects: * Thang-Taa & Physical Education * NEET (UG)/JEE foundation tied up with KOTA
Contact : 7005 588 538, 8837 451 193, 7005 303 412
100% passed (1st division) in HSE-2024 Office hour : 09.00 a.m. - 02.00 p.m.
Special package only for displaced students due to present conflict
Hostel & Van Service available for all routes
HL-P/10720/14 to 12 June

MANIPUR GAZETTE
EXTRAORDINARY
PUBLISHED BY AUTHORITY
No. 32 Imphal, Thursday, May 23, 2024 (Jyaistha 2, 1946)

GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF PERSONNEL & ADMINISTRATIVE REFORMS
(PERSONNEL DIVISION)

**OFFICE MEMORANDUM**

Imphal, the 23rd May, 2024

**Subject: Appointment under the Die-in-Harness Scheme.**

No.DIH-30/1/2023-DP-DP: The Die-in-harness Scheme in the State of Manipur had been abolished vide order No.20/1/85-DP dated 15th June, 2002 and the scheme was subsequently restored on 16th December, 2006 vide order No.20/15/2002- DIH/DP dated 16th December, 2006.

2. Consequent upon the restoration of Die-in-Harness scheme, the State Government had issued certain clarifications vide OM No.20/15/2002-DIH/DP dated 6th June, 2007. Sub para (i) and (ii) of para no. 1 of the said OM is reproduced below:

i. *The Die-in -Harness scheme was abolished vide orders dated 15-6-2002. The OM of even no. dated 29-10-2002 clearly states that no application for appointment under the Die-in-Harness Scheme should be received. Therefore, all applications submitted in between 15-6-2002 and 16-12-2006 shall be treated as invalid applications.*

ii. *Applicants whose applications have been treated invalid as above, should submit fresh applications to the concerned Department within 2(two) months from the date of issue of this OM".*

3. It has now been brought out that the above referred OM No. 20/15/2002- DIH/DP dated 6th June, 2007 was not published in newspapers for general information of the general public, barring a mention of the same as news item in few newspaper. As a result of such lack of information, it is likely that many persons who might have been desirous of seeking employment under the Die-in-Harness Scheme may not have submitted applications for appointment as required under para 1 (ii) of the said OM.

4. In consideration of these circumstances, and in the interest of fairness and justice, the State Government has decided to give one opportunity to such persons for enabling him/her to submit fresh applications for appointment under the scheme, by way of relaxation of para no. 1 (ii) of OM No. 20/15/2002-DIH/DP dated 6th June, 2007, subject to the following conditions:

4.1 Submission of fresh applications for appointment to the concerned Department will be permissible within a period of 2 (two) months from the date of publication of this OM in the official gazette.

4.2 Applications submitted on expiry of the said prescribed time frame as above, shall be treated as null and void and will stand automatically rejected. No separate correspondence will be made in this regard to such applicant.

4.3 This relaxation is a one-time measure.

4.4 Such relaxations shall be applicable only in connection with such government employees who had died in harness during the period between 15-06-2002 and 16- 12-2006.

4.5 Applications for appointment, which were previously submitted under para 1(ii) of OM dated 6th June, 2007, and had been subsequently rejected on grounds of non-fulfilment of age criteria, incomplete documents or any other eligibility criteria as prescribed under the extant rules/guidelines of the Die-in-Harness Scheme, as may have been issued by the State Government from time-to-time, in respect of government employees who had died in harness during the period between 15-06- 2002 and 16-12-2006, shall not be covered by this relaxation and the status of such applications shall remain as 'rejected'.

4.6 The seniority position of an applicant under this OM, shall be fixed by the concerned Department based on the date of expiry/death of the deceased government employee.

4.7 Applicants who had already submitted their applications as per para no. 1 (ii) of the OM dated 6th June, 2007 within the time frame prescribed therein, need not be submit again.

5. These instructions shall come into force with effect from the date of publication of this Office Memorandum in the official gazette.

PH. BHAVANANDA SHARMA
Joint Secretary to the Government of Manipur.

HL-B/8794/24,25&26 May